# ‘এস আই আর পাঙথোক্লবা মতুং নৌনা ফোঙবা ইলেক্টোরেল রোলদা য়ূমফম ওইরগা ভোটরশিং লৌথোকপা য়ারোই’



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০১ (এজেন্সি): ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা স্পিসিয়েল ইন্টেন্সিব রিভিজন (এস আই আর) পাঙথোক্লবা মতুং তৌনা ফোঙবা ইলেক্টোরেল রোলদা য়ূমফম ওইরগা মথৌ তাবা ষ্টেটুটোরি প্রোসিদিওর লৌখৎপা লৈতনা ভোটরশিংগী মিং ককথৎপা য়ারোই হায়না বোম্বে হায় কোর্ট গৰা বেঞ্চনা ফোঙদোকখ্রে।

বোম্বে হায় কোর্টকী জষ্টিস অমিত এস জমসানদেকর অমসুং জষ্টিস বালমিকি মেনেজগী বেঞ্চ অমনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী মথক্তা দিরেক্টিব অসি পীখিবনি।

সন্টাক্রুস এসেমব্লি কনষ্টিট্যুয়েন্সিদা লৈবা ইমুং অমগী মীওই ৬ এস আই আর পাঙথোক্লবা মতুং নৌনা ফোঙবা ইলেক্টোরেল রোলদা মখোয়গী মিং য়াওরকখিদবা অদুগী মতাংদা বোম্বে হায় কোর্টতা পিটিসন ফাইল তৌরকখিবা অদুগা মরী লৈননা জষ্টিস অমিত এস জামসানদেকর অমসুং জষ্টিস বালমিকিগী বেঞ্চ অমনা হিয়ারিং অসি চংখিবনি।

পরেস সালগাওনকর কৌবা মীওই অমনা থারকখিবা পিটিসন ফাইল অদুদা বুঠ লেবেল ওফিসারনা মখোয়গী নৌনা হোংলিবা মফম অদুগী এড্রেস পীরক্লবা খঙহল্লকপগী মতুং ইন্না ফোর্ম নম্বর ৮ সমিট তৌখি। অদুবু এপ্লিকেসন অসিগী প্রসেসিংনা ওফিসিয়েলশিংনা মখোয়গী ইলেক্টর ফোটো আইদেন্টিটি কার্দ (ই পি আই সি)গী দিটেলশিং ই সি আইগী ই আর ও এন ই টি সিষ্টেমদা য়াওরমখিদবনি।

‘ই আর ও’ এন ই টি নৎত্রগা ইলেক্টোরেল রেজিষ্ট্রেসন ওফিসার নেটৱার্ক হায়না খঙনরিবা সিষ্টেম অসি ই সি আইগী ইলেক্টোরেল ফোর্ম অমদি ভোটর রোলশিং মেনেজ তৌনবগী ৱেব-বেজ সিষ্টেম অনি। ই পি আই সিগী রেকোর্দতা মখোয়গী মিং য়াওরমদবা থেংনবা অদুনা মরম ওইরগা মরীলৈনবা ওফিসিয়েলশিংগী মায়কৈদগী মখোয়না পীশিনখিবা এপ্লিকেসন অদু রিজেক হায়বা ওফসন নৎতনা অতোপ্পা লৈরমদবা থেংনবদগী বোম্বে হায় কোর্টতা পি আই এল থাঙ্গৎপনি হায়না ফোঙদোকখি।

এস আই আর পাঙথোক্লবা মতুং নৌনা ফোঙবা ইলেক্টোরেল রোলদগী ককথৎখিবা অদুগী মতাংদা মরীলৈনবা ওথোরিটিনা ইলেক্টোরেল রোলদা নৌনা হাপচিন্নবগীদমক ফোর্ম নম্বর ৬ মেনশিন্দুনা পীশিলক্লবা খঙহল্লকপদি লৈখি। অদুবু পিটিসনরগী মায়কৈদগী চপ মান্নবা কনষ্টিট্যুয়েন্সি অমগী মনুংদা নৌনা য়ূম হোংদোক হোংজিন তৌবগীদমক ইলেক্টোরেল রোলদা নৌনা হাপচিন্নবা ফোর্ম নম্বর ৬ থাজিল্লক্লবা খঙহল্লকপা অসি অরানবা প্রোসেস অমনি হায়না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

পিটিসনরগী মায়কৈদগী পুখৎলকপা ৱাফমশিং মুন্না তারবা মতুং বোম্বে হায় কোর্টকী বেঞ্চ অদুনা ই সি আইদা হান্নদগী ইলেক্টোরেল রোলদা য়াওরবা মীওইশিংবু অমুক হন্না নৌনা রেজিষ্ট্রেসন তৌনবা খঙহল্লিবা অসি করি করম্বা লিগেল প্রোভিজনগী মখাদা ই সি আইনা চংথবনো।

ইলেক্টোরেল রোলদা য়াওরকখিদ্রবা হান্নগী ভোটরশিংগী ৱাকৎকী মতাংদা মথৌতাবা খন্নবা তৌদনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা ইলেক্টোরেল রোলদগী অৱাবা তারবা হান্নগী ভোটরশিংগী মিং লৌথোকপা য়ারোই হায়না ই সি আইদা অকনবা ইনষ্ট্রকসন পীখিবনি।

# মীয়ামগী থবক তৌনবগী ৱাখল্লোলদা য়ূমফম ওইরগা নহারোলশিংনা সিভিল সার্ভিসেস এগজাম থাগদবনি: মোদি



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০১ (এজেন্সি): ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংনা চুম্নগী লৈঙাক্কী ওফিসতা থবক ফংনবগী ৱাখল্লোলদা য়ু পি এস সি এগজাম থাবগী মহুৎ লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী মথৌতাবা থবক থৌরমশিং পায়খৎকে হায়বগী চপয়ুংবা ৱাখল্লোলদা য়ূমফম ওইরগা নহারোলশিংনা য়ু পি এস সিগী সিভিল সার্ভিসেস এগজামশিং থাবা মথৌ তাই হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুনিয়ন পব্লিক সার্ভিস কম্মিসন (য়ু পি এস সি)গী সেন্টিনরি সেলেব্রেসনদা মরুওইবা মীথুং লেন ওইনা শরুক য়ারদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়, য়ু পি এস সিনা পাঙথোক্লিবা এগজামিনেসন অসি শুন্নতগী কেন্দিদেটশিংগী নোলেজ লেপথোক্লবগী পান্দমদা রিক্রুদমেন্ট এগজামিনেসন পাঙথোকপগী মথক্তা নহারোলশিংবু মীয়ামগী থবক তৌহন্নিংনবগী ৱাখল্লোল পোকহন্নবা মোটিবেট তৌবা মথৌ তাই।

লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংদা থবক তৌনিংবা খক্কী ৱাখল্লোল লৈবা নহারোলশিংবু থবক পীবগী মহুৎ লৈবাক মীয়ামগী অফবা থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্লিংবগী মশাগী মফমদা চপ চাবা ফিরেপ লৈজবা নহারোলশিংদা হেন্না রিক্রুট তৌদুনা থবক পীবা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকখি।

মীয়ামগা নক্না তোৎনা তিন্ননা লৈবা লৈঙাক লৈবগী মরুওইবগী মতাংদা পল্লদুনা নরেন্দ্র মোদিনা মখা তারদুনা হায়, লৈবাক মীয়ামবু লাই মক্লি হায়বগী ৱাখল্লোলদা লৈঙাক্লা শাসন তৌগদবনি। লৈবাক অমগী খ্বাইদগী অহানবা মরুওইবা থৌদাংদি লৈবাক মীয়ামগী মথৌতাবা য়াইফ থৌরাং কয়া পায়খৎপা অদুনি। অসিদা নৎতনা পব্লিক সার্ভেন্টশিংনা মীয়ামবু অহানবা ওইনা প্রাইওরিটি পীদুনা মীয়ামগী ৱেলফিয়ার পোলিসি প্রোগ্রাম কয়া পায়খৎনবা হোৎনগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ‘১০০ লেন্দমার্ক জজমেন্ট: সেপিং দ পোলিসিজ ওফ য়ু পি এস সি এন্দ পব্লিক সার্ভিস কম্মিসন ইন ইন্দিয়া’ হায়না মিং থোনবা লাইরিক অমদি ষ্টাম অমসু নরেন্দ্র মোদিনা রিলিজ তৌখি।

পনবা য়বাদি য়ুনিয়ন পব্লিক সার্ভিস (য়ু পি এস সি) অসি হৌখিবা চহী ১৯২৬তা লৈবাক অসিদা অহানবা ওইনা লিংখৎখিবনি। য়ু পি এস সি লিংখৎখিবা চহী ১০০ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা ন্যু দিল্লিদা য়ু পি এস সিগী সেন্টিনরি সেলেব্রেসন পাঙথোকখিবগী থৌরম অদুদা য়ু পি এস সিগী তোঙান তোঙানবা মকোকথোংবা ওফিসিয়েল অমদি লৈঙাক্কী হায়রেঙ্কিং ওফিসিয়েল কয়াসু শরুক য়াখি।

# রাহুল গান্ধী অরানবা মপূং ফাদবা ই-পাউদা য়ূমফম ওইরগা পোলিটিক্স তৌবা পোলিটিসিয়ান অমনি: বি জে পি





ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০১ (এজেন্সি): স্পিসিয়েল ইন্টেন্সিব রিভিজন (এস আই আর)গা মরী লৈননা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মথক্তা রাহুল গান্ধীনা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লুনা মরাল শীরিবা অসি য়ূমফম য়াওদবা অমনি। রাহুল গান্ধী অসি অরানবা মপুং ফাদবা ই পাউদা য়ূমফম ওইরগা পোলিটিক্স তৌবা পোলিটিসিয়ান অমনি হায়না বি জে পিনা ফোঙদোকখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা লৈবা বি জে পিগী হেদক্বার্টরদা পাঙথোকখিবা প্রেস কনফরেন্স অমদা বি জে পিগী সেনিয়ার লিদর রজিব চন্দ্রশেখরনা হায়, রাহুল গান্ধী অসি সেক্যুলারেলিজম নৎত্রগা লৈবাক অসিগী কনষ্টিট্যুসনবু ঙাক শেন্দুনা থন্নবা লৈবা মীওই অমা নৎতে। রাহুল গান্ধীনা মহাক্কী ইমুং মনুংগী ইন্টরেষ্টতা থবক তৌবা মশাগী কান্নবা ফংনবা পোলিটিক্স তৌবা মীওই অমনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু রাহুল গান্ধীনা ‘দেসদ্রোহি’নি হায়না ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অসিনা তাকপদি রাহুল গান্ধী অসি শাশিন্নবা অচুম্বা পোলিটিসিয়ান অমা নৎতে হায়না তাকপনি। রাহুল গান্ধীনা অরানবা ই-পাউ কয়া শন্দোক্তুনা মীয়ামবু লান্না লমজিংনবা হোৎনদুনা লৈরে হায়নসু কেরেলাগী ষ্টেট বি জে পিগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা রাজিব চন্দ্রশেখরনা রাহুল গান্ধীবু মরাল শীখি।

# ইলেক্টোরেল সিষ্টেম হুরানবগী মায়োক্তা মীয়ামগী খোল্লাও লেপ্তনা কনখৎলক্লি, ভোট হুরানবগী মায়োক্তা মীয়াম্না তুমিন্না খক লৈরোই



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০১ (এজেন্সি): লৈবাক অসিগী ইলেক্টোরোল সিষ্টেম হুরানবগী মায়োক্তা লৈবাক মীয়াম্না লাওরিবা য়ানিংদবগী খোল্লাও লেপ্তনা হেনগৎলক্লি। ভোট হুরানবগী মতাংদা লৈবাক অসিগী সিটিজেনশিংনা হিরম অমত্তদা তুমিন্না খক লৈথোক্লরোই হায়না কোংগ্রেস পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরি ইন-চার্জ কম্যুনিকেসন জয়রাম রমেশনা ফোঙদোকখ্রে।

জয়রাম রমেশনা মহাক্কী ওফিসিয়েল এক্স একাউন্দদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা হায়, লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা ন্যুজ এজেন্সি অমনা লৌবা অখন্নবা ইন্টরভ্যু অমদা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী হান্নগী চীফ ইলেক্সন কমিস্নার ও পি রাৱতনা লৈবাক অসিদা চংখিবা এস আই আরগী মতাংদা ৱাহং কয়া হংখিবতা নৎতনা ই সি আইনা লৈবাক অসিদা এস আই আর চংথদুনা অরানবা থৌওং কয়া চংথরি হায়না ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রে।

লৈবাক অসিনা নিংতম্বা ফংখ্রবা মতুং লৈবাক অসিদা অহানবা ওইনা ভোট থাদবগী অয়াবা ফংলবা ভোটর কয়া ঙসিদি ভোট থাদবগী রাইট মাঙখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ওপি রাৱতনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা এস আই আর পাঙথোক্লিবা অসি কদাই ফাওবা নিয়ম চুন্না পাঙথোক্লিবগে হায়বা অসি অচৌবা ৱাহং অমনি হায়নসু ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি এস আই আরগা মরী লৈননা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী মথক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা হৌজিক হৌজিক চীফ ইলেক্সন কমিস্নার ওইরিবা জ্ঞানেস কুমার মফম লৌথোক্কদবনি হায়না দিমান্দ তৌরদুনা থা অসিগী ২দগী হৌদুনা লৈবাক অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট ওফিসশিংদা থোমজিন্দুনা খোঙজং চংশিন্নবগী ইনিদয়া ব্লোককী মীফমনা ৱারেপ লৌখিবসু লৈখ্রবনি।

## Crossword # 1158



Across
1. Christmas song
6. Drama divisions
10. "____ dead people!" (2 wds.)
14. Knowing
15. Urgent request
16. ____ and void
17. Glossy fabric
18. Sassy
19. Valley
20. Heavyweight Mike ____
21. Tibetan priest
22. Bright thought
23. Defeated candidate
25. Heat's league (abbr.)
27. Customer
30. Not appropriate
34. Young boys
35. Broken
40. Gorilla, e.g.
41. Conductor ____ Bernstein
42. Poetic dusk
43. ____ agent (2 wds.)
45. Sch. groups
46. Edgar ____ Poe
47. Morally pure
49. Boar's mate
51. Iron or lead
53. Nebraska's neighbor
56. Retirement accounts (abbr.)
58. Like a king
62. Pennant
63. Reporter ____ Lane
64. Make amends
65. Leafy plant
66. Accomplished
67. Large pebble
68. "Star Wars" character
69. Scrapes by
70. Jewish feast

Down
1. Hurl
2. Not home
3. Rodents
4. Baltimore baseball team
5. Beatle John ____
6. Granny Smith, e.g.
7. Transparent
8. Semester
9. The Devil
10. Ohio's neighbor
11. Brought to court
12. ____ Macpherson
13. ____ Fitzgerald of jazz
24. Pigpens
26. Sparrow, e.g.
27. Heidi's cousin
28. Jacket part
29. Flawless
31. Assists a crook
32. Kilt feature
33. High-strung
36. Negative word
37. ____ wing and a prayer (2 wds.)
38. Butter unit
39. Build
41. TV host Jay ____
44. Garfield's favorite dish
45. Artist's board
48. Annoy
50. Author Oscar ____
51. Augusta's locale
52. Some curves
53. Uncertain
54. Butter alternative
55. Maternity ____
57. Chess piece
59. Bad's opposite
60. Diarist ____ Frank
61. Malicious look

পাউখুম লমায় ৭ দা ...

# হান্নগী জুদিসিয়েল ওফিসার অমগী ৱাকৎ ককথৎলদুনা অচুম্বা ৱায়েল ফংবগী রাইট মীপুম খূদিংদা চপ মান্নে হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ফোঙদোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০১ (এজেন্সি): হান্নগী জুদিসিয়েল ওফিসার অমনা মহাক্কী এল্লাহবাদ হায় কোর্টতা পীশিনখিবা পিটিসন ফাইল পন্দুনা লৈরিবা অদু অখন্নবা মীৎয়েং চংদুনা অথুবা মতমদা হিয়ারিং চংনবা হায়জরকখিবা অদু সুপ্রিম কোর্টনা ককথৎলদুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংদা অচুম্বা ৱায়েল ফংবগী রাইট চপ মান্নে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

সুপ্রিম কোর্টকী জষ্টিস জোয়মালিয়া বক্সি অমসুং জষ্টিস ভি মোহানাগী বেঞ্চ অমনা কোর্টকী মায়কৈদগী মীওই অমা খক্তদা অখন্নবা মীৎয়েং চংদুনা পন্দুনা লৈরিবা মহাক্কী কেস অদু লৌখৎতুনা হিয়ারিং চংথবগী অয়াবা লৈতে।

লৈবাক অসিদা বস কন্দক্টর ওইনা থবক তৌদুনা লৈরিবা মীওই অমা নৎত্রগা ষ্টেট লৈঙাক্তা অচৌবা ফম পায়রিবা সেক্রেটরি অমগী মরক্তা কোর্টকী মায়কৈদগী হিরম অমত্তদা খেন্নবা মীৎয়েং থম্বা লৈতে।

লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক্তা চপ মান্নবা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবা হায়বা অসি লৈবাক অসিগী লৈরিবা জুদিসিয়ারি সিষ্টেমগী খ্বাইদগী মরুওইবা থৌদাং অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি হান্নগী জুদিসিয়েল ওফিসার অমনা মহাকপু থবক লৌথোকপগী মতাংদা চেলেঞ্জ তৌরদুনা এল্লাহাবাদ হায় কোর্টতা পি আই এল অমা থাঙ্গৎলকখিবনি।

সুপ্রিম কোর্টকী মায়কৈদগী পিটিসনর অদুগী মায়কৈদা লৈপ্লিবা কাউন্সেলদা হান্নগী জুদিসরি ওফিসার অদুগী কেস অদু মরিলৈনবা হায় কোর্টতা থুনা য়াঙনা হিয়ারিং চংনবা হায়জনবা খঙহনখি। অদুবু পিটিসনরগী মায়কৈদা লেপ্লিবা কাউন্সেলগী মাইকৈদগী এল্লাহাবাদ হায় কোর্টতা মশিং য়াল্লবা কেস কয়া পন্দুনা লৈবনা মরম ওইরগা পিটিসনরগী পি আই এল অদু ঙসি ফাওবা লৌখৎতনা লৈরি হায়না ফোঙদোকখি।

কাউন্সেলগী ৱাফম তারবা মতুং সুপ্রিম কোর্টকী বেঞ্চ অদুনা হান্নগী জুদিসিয়ারি ওফিসারনা হায়জরক্লিবা ৱাফম অদু অখন্নবা মীৎয়েং চংদুনা অথুবা মতমদা হিয়ারিং চংথরবদি, মদু জুদিসিয়ারি সিষ্টেমদা অকায়বা অমা ওইগনি। লৈবাক অসিগী কনষ্টিট্যুসনগী মতুং ইন্না মীওই খুদিংমক্তা জুদিসিয়ারি সিষ্টেমগী মায়হকদগী চপ মান্নবা মীৎয়েং য়েংই হায়নসু কোর্টনা মখা তানা খঙহনখি।





# ক্লাস ৯গী টেক্সবুকতা পার্সোনেল ইনকম টেক্স অহানবা ওইনা হাপখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০১ (এজেন্সি): ইনকম টেক্স থিবা হায়বা অসি লৈবাক মীয়ামগী খ্বাইদগী মরুওইবা থৌদাং অমনি হায়না খঙহন্নবগী পান্দমদা এন সি ই আর টিগী মায়কৈদগী ক্লাস ৯ তম্লিবা মহৈরোইশিংগী করিকুলমদা পার্সোনেল ইনকম টেক্সকী সেলেবস অহানবা ওইনা হাপখ্রে।

‘অন্দরষ্টেন্দিং সোসাইটি ইন্দিয়া এন্দ বিওন্দ-পার্ট ২’ হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা এন সি ই আর টিনা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা রিলিজ তৌখ্রে। পনবা য়াবদি লাইরিক অসিগী অহানবা তাঙ্কক্কী শরুক চৎলিবা চহী অসিগী হৌখিবা জুন থাদা রিলিজ তৌখ্রবনি।

এন সি ই আর টিগী চীফ দিনেশ প্রশাত সক্লানিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা এন সি আর টিনা লৌখৎলক্লিবা অনৌবা খোঙথাং অসিনা মরম ওইরগা ক্লাস ৯ তম্লিবা মহৈরোইশিংনা স্লেব-ৱাইস টেক্স কালকুলেসন তৌবগী মতাংদা ময়েক শেংনা খঙবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী সিটিজেন অমা ওইনা মথৌতাবা ইনকম টেক্স থিবা হায়বা অসি সিটিজন অমগী খ্বাইদগী মরুওইবা থৌদাং অমনি হায়বা খঙবা ঙম্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, পৈশাবু নিয়ম চুন্না শিজিন্নবা হায়বা অসি য়ান্না মরুওই। হিরম খুদিংমক্তা পৈশাগা মরী লৈনবা ফাইনান্সিয়েল দিসিসনশিং ৭-১০ থোক্না খল্লবা মতুংদা দিসিসন লৌগদবনি। লাইরিক অসিনা ইনখৎলক্লিবা মহৈরোইশিংদা ফাইনান্সিয়েল লিটরেসিগা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা মরুওইবা ৱাফম কয়াসু খঙবা ঙম্লগনি হায়না নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

# ট্রক ড্রাইভরশিংদগী নিয়ম লান্না শেল লৌবা পুলিস পার্সোনেল ৪ সস্পেন্দ তৌখ্রে



শিলোং, ওক্টোবর ০১ (এজেন্সি): মেঘলয়াগী ইষ্ট খাসি হিল দিষ্ট্রিক্টকী মফম অমদা মতম খরগী ওইনা চেকপোষ্ট হাংদুনা অচৎ-অওক তৌরিবা ট্রক ড্রাইভরশিংদগী আইন কায়না শেল লৌথোক্লম্বা মেঘলয়া পুলিস পার্সোন্নেল ৪ লৈঙাক্না সস্পেন্দ তৌখ্রে।

খাসি ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন (কে এস য়ু)না ইষ্ট খাসি হিল দিষ্ট্রিক্টকী মোরিননেং পুলিস ষ্টেসনना কোনবা মৌখানু চেকপোষ্ট ফাওদুনা চৎলিঙৈ মফম অদুদা অচৎ অওকশিং চেক তৌবগী থবক চংথরিবা পুলিস পার্সোন্নেলশিং নিয়ম লান্না শেল লৌবগী ভিদিও অমা সোসিয়েল মেদিয়াদা ভাইরেল ওইরকখ্রবা মতুং মেঘলয়া লৈঙাক্না খূদক্তা মীৎয়েং চংদুনা মরাল লৈবা পুলিস পার্সোন্নেল ৪ অদু থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখিবনি।

মেঘলয়া পুলিসনা হিরম অসিগী মতাংদা ইনক্বারি চংথরগনি হায়নসু খঙহল্লক্লি।

সনা-সুদোকু-১০৯৫গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 7 | 4 | 8 | 6 | 3 | 2 | 1 | 9 |
| 2 | 9 | 3 | 1 | 7 | 5 | 6 | 4 | 8 |
| 6 | 1 | 8 | 4 | 2 | 9 | 5 | 3 | 7 |
| 7 | 3 | 1 | 5 | 4 | 6 | 8 | 9 | 2 |
| 8 | 4 | 5 | 2 | 9 | 7 | 1 | 6 | 3 |
| 9 | 6 | 2 | 3 | 1 | 8 | 7 | 5 | 4 |
| 4 | 8 | 7 | 6 | 3 | 1 | 9 | 2 | 5 |
| 3 | 5 | 6 | 9 | 8 | 2 | 4 | 7 | 1 |
| 1 | 2 | 9 | 7 | 5 | 4 | 3 | 8 | 6 |

SL/B(KK)/31 (one month)

# পি এম নরেন্দ্র মোদি, ইজরেল পি এম নেটান্যাহুনা পেসেঞ্জর অমসুং ক্রু ১৮০গী পুন্সি কনখিবা ইন্দিয়ান পাইলোট থাগৎখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০১ (এজেন্সি):
দুবাইদগী টেল এভিবতা পাইরকখিবগী লম্বীদা মহাক্কী কো–পাইলোটনা মঙোন্দা থাঙনা থিনখিবা অমসুং প্লেন অদু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনরকখিবা মতুং প্লেন অদুবু ক্রাস তৌবদগী থিংখিবা মহাক্কী হেরোইক ওইবা থৌনা অদুগীদমক ফ্লাইট এফ জেদ ১০৭৩গী ইন্দিয়ান পাইলোট স্মিত মাসারবু ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং মহাক্কী ইজরেল ফম্মান্নবা বেঞ্জামিন নেটান্যাহু য়াওনা মীওই কয়ানা থাগৎখ্রে।







ফ্লাইদুবাই ফ্লাইট অদু ক্রাস তৌহন্নবা ওমানি কো–পাইলোটনা হোৎনখিবা অমা মথৌনা লৈরবা পেঞ্জের অমসুং ক্রুনা থিংখিবগী মতুং অশোয় অঙাম থোক্তুনা ইজরেলদা থুংলখ্রে।

পোষ্ট অমদা নেটান্যাহুনা হায়খি, ইন্দিয়ান পাইলোট কেপ্টেন স্মিত মসারবু মাগী থোইদোক হেন্দোক্লবা মথৌনা অদুগীদমক ঐহাক্না সেলুট তৌরি। মহাক মশাদা থাঙনা থিন্দুনা শাথিনা শোক্লবা ফাওবদা মহাক্না ওনশিন্দুনা থেংনখি অমসুং কোকপিট থোঙ অদু হাংদোক্তুনা মীওই অদু পেসেঞ্জরশিং অমসুং অতৈ ক্রু মেম্বরশিংনা লাকশিনবা ঙমহনখি।

ইজরেল ওফিসিয়েলশিংগী মতুং ইন্না, মখোয় মশামক্কী শিবা–চঙবা করিমতা খন্দনা এটেক্কর অদুদগী প্লেন অদুগী কন্ট্রোল অদু মুন্নবা হোৎনবগীদমক হিরোশিংনি হায়না শিংথানখিবা মীওই কয়ামরুমগী মনুংদা স্মিট মসারসু অমনি। ওফ–রোষ্টর পাইলোট অনিনা প্লেন অদু কন্ট্রোল তৌদ্রিঙৈ অমসুং সাউদি অরাবিয়াগী অপীকপা এয়ারপোর্ট অমদা লেন্দিং তৌদ্রিঙৈগী মমাঙ এটেক্কর অদু লাকশিনবদা ইজরেলি সিটিজন ৪না কোকপিট অদুনা চংশিল্লকখি অমসুং ক্রু অদু তেংবাংখি মখোয় অদুগী মনুংদা য়ানিব হায়ুন কৌবা অমনা কো–পাইলোট অদু নমশিনখি।

অশাদ রাজুৱান অমসুং জবিকা মেন্স কৌবা অতোপ্পা অনিনসু এটেক্কর অদু নমশিনবা অমসুং ফাজিনবদা ক্রু মেম্বরশিং অদুদা মতেং পাংখি। মসিদা নৎতনা থিনা শোক্লবা মসাহার মতম চানা ঈ কাহেন্না থোকপদগী থিংখিবা দেন্টিষ্ট সোতা মুসিবসু য়াওরি।

ফুরিৎতা ঈ তৈদুনা, মশামক্তি শোক্তবা হায়ুননা ইজরেলদা লেন্দিং তৌরকখিবা মতুং টেল এভিব এয়ারপোর্টতা প্রাইম মিনিষ্টর নেটান্যাহুনা মহাক্কী উন্নখিবা অদু ইজরেলগী পি এম ওফিসনা থাদোক্লকখিবা ভিদিও অমনা উৎখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নেটান্যাহুনা অচৌবা এভিয়েসন দিজাষ্টর অমা থোক্লমগদবদগী পাইলোট অদুগী থবক্না থিংহৌরে হায়খি। মহাকপু মতম থুনা ফবা ওইসনু হায়না ইজরেলি লুচিংবা অদুনা ফোঙদোকখি অমসুং অশেংবা হেরো অমা ওইনা মহাকপু শিংথাখি।

ইন্দিয়ান পাইলোট অদু থাগৎপদা সাইপ্রসতা ইজরেলগী এম্বেসেদর রিয়ুবেন অজারসু য়াওখি।

এক্সতা থাগৎপা পোষ্ট অমদা অজারনা কেপ্টেন মসার শোকখিবগী তুং মতম থুনা ফনবা মহাক্না লাই খুরুমজরি হায়খি অমসুং মহাকপু এক্সপরিয়েন্স অমসুং মগুল লৈরবা পাইলোট অমা ওইনা শিংথাখি।

অঝারনা থৌদোক অদুবু য়ুনাইটেদ এগেন্স টেরোরিজমনি হায়না লাউথোক্লদুনা মদু টেরোরিজমগী মায়োক্তা মীয়াম পুন্নমক অমত্তা ওইনা পুন্নবা আপিল তৌনবা ওইনসু শিজিন্নখি।

# পাকিস্তানগী এটেকশিংদা অফগানিষ্টানদা মীওই ৯ শিখ্রে, মীচম ১১ শোকখ্রে



কাবুল, ওক্টোবর ০১ (এজেন্সি): পাকিস্তাননা ঙরাং নুমিদাং অফগানিষ্টানগী প্রোভিন্স অনিদা প্লেননা নোংথক্কী এটেকশিং চথখিবদা, অফগানিষ্টাননা বোম্বিংশিং অদুদা নুপী অমসুং অঙাং ৯ শিখ্রে অমসুং অতোপ্পা মীওই ১১সু শোকখ্রে হায়খ্রে।

পাকিস্তানগী ইনফোর্মেসন মিনিষ্ট্রিনা মখোয়গী এটেকশিং অদু মফম অনিদা মিলিটেন্ট লোৎফমশিংগী মথক্তা চথখিবনি অমসুং মিলিটেন্ট ২২ শিখ্রে হায়না অহানবা ফংবা রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকই হায়খি।

লৈবাক অনি অসিগী মরক্তা চহী অসিদা হান্নদগী হৌনা ৱাংনা উংখৎনরকখিবা মতুংদগী পাকিস্তাননা অফগানিষ্টানগী মনুংদা নোংথক্তগী এটেক কয়া চথখিবগা লোয়ননা মখোয় অনিগী মরক্তা ঙমখৈ লান্না হন্ন–হন্না খূৎ থোক্লকখিবা মরক্তা খ্বাইদগী নৌবা এটেক্কী থৌদোক অসি থোক্লকখিবনি।

য়ুল্লন্নবা লৈবাক অনি অসিনা মখোয়গী ঙমখৈ পরিংদা মিলিটেন্টকী থবকশিংগী মতাংদা মতম কুইনদগী য়েৎনদুনা লাক্লি। য়ুনাইটেদ নেসন্স মিসন ইন অফগানিষ্টাননা হৌখিবা চয়োলদা চহী অসিগী হৌজিক ফাওবদা ঙমখৈ ৱাংমদগী চথরকখিবা হিংশাদগী অফগানিষ্টানদা মীচম ১১০০ শিব অমসুং শোকপগী রেকোর্দ তৌই হায়খি।

মীচমশিংদা এটেক তৌই হায়বা পাকিস্তানদা য়াখিদে অমসুং পাকিস্তানগীমনুংদা এটেকশিং চথবা মিলিটেন্টশিংদা টার্গেট তৌবনি হায়রি। মিলিটেন্টশিং থম্মি হায়বদু অফগানিষ্টান্না অমুক য়াখিদে।

অফগানিষ্টানগী টালিবান গভর্ণমেন্টকী ৱাঙাং লোই জুবিহুল্লাহা মুজাহিদনা নোংথক এটেক অদুনা খাথংবা প্রোভিন্স হেলমন্স অমসুং নোংপোক থংবা কুনাল প্রোভিন্সকী মীচমগী য়ুমশিংদা পানখি, য়ুম ৩ মাঙ তাকখ্রে, নুপী অমসুং অঙাং ৯ শিখ্রে অমসুং অতোপ্পা মীচম ১১ শোকখ্রে হায়খি।

# ষ্টেট দিন্নরদা য়ু এস প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা অনৌবা এ আই এগ্রীমেন্ট লাউথোকখ্রে



ৱাসিংটন, ওক্টোবর ০১ (এজেন্সি):
য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লাউথোকখিবা এ আই এগ্রীমেন্ট অদু মেটা সি ই ও মার্ক জুকেরবর্গ অমসুং হাউস স্পিকর মাইক জোন্সনগা হৌখিবা চয়োলদা খন্নখিবা অমগা লোয়ননা হৌখ্রে।

জুকেরবর্গ অমসুং জোন্সননা ষ্টেট দিন্নরদা এ আই রিগুলেসনশিংগী মতাংদা খন্নখি। চাইনিজ প্রসিদেন্ট জি জিনপিংগীদমক শিল লাংখিবা থৌরম অদুদা অনি অদুনা থংননা ফম্মিনখি। মদুগী মতুংদা মেটা সি ই ওনা মাগী নবিদিয়া ফম্মান্নবা জেনসেন হুৱাংদা অচৌবা এ আই কম্পেনিশিংদা ট্রম্পকা মখোয়গী মথংগী উন্নদ্রিঙৈগী মমাঙদা প্রিন্সিপলশিং পুন্না শেন্নবা ৱাফম হৌদোকখি।

মদুগী মতুংদা কোন্না মেটা সি ই ও অদুনা হ্বাইট হাউসতা লৈবাকপোকপগী মীফম অদুগী মাঙওইননা অতৈ একজিক্যুটিবশিংগা লোয়না ৱাফম অদুগী দ্রাফ অমা পুথোকখি। হুৱাংনসু অতৈ এ আই কম্পেনিশিং য়াওহন্নবা হোৎনখি। ওপন এ আই, এন্থ্রোপিক, এক্স এ আই অমসুং অতৈ টেক্নোলোজি কম্পেনিশিংদগী একজিক্যুটিবশিংনা ট্রম্পকা উন্নবা অদুদা য়াওখি।

মদুগী মতুং য়ু এস প্রসিদেন্ট অদুনা পুথোক্লিবা ৱাফম অদুবু হ্বাইট হাউস একোর্দ ওন সুপর ইন্টিলিজেন্স হায়না ফোঙখি। এগ্রীমেন্ট অদু মেটা, ওপন এ আই, এন্থ্রোপিক, এক্স এ আই, গুগল অমসুং নবিদিয়ানা সহি তৌখি। এগ্রীমেন্ট অদুনা কম্পেনিশিংদা মখোয়গী এদভান্স এ আই সিষ্টেমসকীদমক অকনবা সেফটি চেক থন্নবা অমসুং মখোয় অদু মপানগী গ্রুপনা ওদিট তৌবা য়ানবা খঙহনখি।

অদুমওইনমক এগ্রীমেন্ট অদুনা হায়রিবা চেকশিং অমসুং ওদিটশিং অদু করন্না তৌগনি হায়বগী মতাংদা মরিকচুন্নবশিং পীখিদে।

মদুনা মসিগী মতুংদা এ আইগী গভর্ণমেন্ট রিগুলেসন মথৌ তারবা য়াই হায়খি। মদুগী মতুংদা গভর্ণমেন্ট কম্যুনিকেসনশিংদা আর্টিফিসিয়েল ইন্টিলিজেন্সকী মহুৎতা য়ু এসনা ওফিসিয়েল ওইনা 'সুপর ইন্টিলিজেন্স' শিজিন্নগনি হায়না ট্রম্পনা হায়খি। মহাক্না হায়খি, আর্টিফিসিয়েল হায়বা ৱাহৈ অসিনা চান্নদে, মরমদি টেক্নোলোজি অসি আর্টিফিসিয়েল নৎতে।

মীফম অদুগী মতুংদা জুকেরবর্গনা এগ্রীমেন্ট অদুবু মাঙলোমদা থাংজিনবগী অফবা খোঙথাং অমনি হায়খি।

# মোস্কোনা য়ুক্রেনগী মথক্তা নোংথক্কী এটেক কনখৎলকখিবদা দ্রোননা ক্যিব স্কুলদা পানখ্রে

ক্যিব, ওক্টোবর ০১ (এজেন্সি):
য়ুক্রেনগী কোনুং ক্যিবতা নোংথক এটেক কয়ামরুম চথরকখিবদা শগোলশেল নুমিৎতা রসিয়াগী দ্রোন অমনা স্কুল অমদা পানখ্রে হায়না সিটি ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

দ্রোন অদুনা স্কুল অদুদা পানবা মতম অদুদদি স্কুল অদুগী অঙাংশিং অমসুং ষ্টাফ বোমদগী লোৎফমশিংদা লৈখি হায়না মেয়র বিতালি ক্লিটস্কোনা হায়খি অমসুং মখোয়গী ৱারহেদ পোকখায়খিদে হায়খি।

অশোক–অপনবা অমত্তা থোকখিদে, অদুবু বিল্ডিং অদুগী চেক্না খাগৎপা মমায় অদুদা অচৌবা মখুল অমা হোখি অমসুং থাক কাখৎফম অমা অমসুং কায়রবা থোংনাওশিংগা লোয়ননা মৈনা চাকখিবগী দাগফমশিং উখি। দ্রোন অমসুং মিসাইল এটেকশিংদগী অহৌবা পোকখায়বগী মখোলশিংগা লোয়ননা য়ুক্রেনগী কোনুং ক্যিব অসি চয়োল খরা অসিদা নোংথক্তগী লান্দারকপা যাবগী এলার্টশিং হন্ন–হন্না তৌখিবগা লোয়ননা লাঙ্গোয় চন্দুনা লৈরবগুম তৌখি।

চথরক্লিবা লান অসি মীচমশিংবু অকি–তুজুং পোকহন্নবগী পান্দমনি হায়না ওফিসিয়েলশিং অমসুং এনালিষ্টশিংনা হায়রি।

ক্যিবতা রসিয়ান এটেক অমনা শোকখিবা স্কুল অমগী মপান্দগী পুলিস ওফিসারশিংনা সাহেব দ্রোন অমদগী পোকখায়দ্রিবা ৱারহেদ অমা ওক্টোবর ১ শগোলশেল নুমিৎতা পুথোক্লকখি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, BASHIKHONG
*R.R. No. 230/SDC/B/I/E of 2026*
***LEGAL WIFE CERTIFICATE***
ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE
*Bashikhong, the 01ST October, 2026*

নোটিশ অসিনা খংহনলি মদুদি শ্রীমতি Khuraijam Usharani Devi লৈফম Thongju Part-II, Imphal East অসিনা লৈখিদ্রবা Moirangthem Damudor Singh অসিবু মহাক্কী লিগেল নুপানি হাইদুনা ওফিস অসিদা মহাক্কী মিংদা লিগেল Wife certificate পিবিয়ু হায়দুনা ওফিস অসিদা দরখাষ্ট থাররে।

মরম অসিনা কনাগুম্বা মারীলৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎ 5(five)গী মনুংদা ওফিস অসিদা Objection তৌবিরবা য়াগনি। করিগুম্বা মরী লৈনবশিংনা Objection লাক্ত্রবদি মখা তাবা থবক চত্থরগনি, তুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Bashikhong, Imphal East
SL/B-Mei/02

WANTED PARTNERSHIP INVESTORS

Since 2012 dagi Registered touraga leijaraba Machinery Sales toujaba business firm amani. Handak ki fresh season asigi oina order masing khara yamna leiba maramna eigi hana akaknaba oina toujabanina, machine sing ashi eigi own capacity da chensinnaba hotnabada shortage leiba maramna, kanagumba kanagumbi sen thadharaga profit sharing 50/50 ratio da chap manana share touminaningba leiragadi, henna akuppa marol gidamak makhada pijariba no.asida pao faobirakpa yagani. Geniunely partnership agreement hana tougani aduga makha taba step follow tougani....

Interested Investors Enquiry through Phone Calls only



Contact Us 87942 28735

SL/KK/

# নেপালদা মখা তানা লেন্দস্লাইদশিং থোকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ৩০ শিখ্রে




কাথমান্দু, ওক্টোবর ০১ (এজেন্সি):
নেপালদা নৌহৌনা নোং কন্না চুপ্থরকখিবা অমসুং লৈবাক নিংখায়বগী থৌদোকশিং থোক্লকখিবদা হৌখিবা চয়োলদা য়ামদ্রবদা মীওই ৩০ শিখ্রে হায়না নেসনেল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিনা ফোঙদোকখ্রে।

হিমালয়া লৈবাক অসি ওগষ্টতা মীওই ১৪০০ হেন্না শিখিবা অমসুং মীওই ৬,০০০ রোম থিবা খঙদনা লৈরিবা শাথিবা ঈশিং ঈচাওশিংদগী অৱাবা তাদুনা লৈরিবনি।

খুন পুম্বা ঈচাওনা চেন্থখ্রে। খ্বাইদগী নৌবা লৈবাক নিংখায়বশিং অদুনা লম্বীশিং, থোংশিং অমসুং য়ুমশিং শোকহন্দুনা খুন্দারিবা মীওইশিং মরী লৈনহনখিদ্রে অমসুং মীয়ামবু ইমর্জেন্সি ওইনা চংজফম লৌফমশিংদা লৈহনখ্রে।

মেদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না নোং চিংগী ফিভম ফৎতবা অদুনা মরম ওইদুনা নেপালগী মরুওইবা ট্রেক্কিং রুটশিংগী মনুংদগী অমা ওইরিবা অন্নাপুর্না সার্কিটতা ট্রেক্কর চা কয়া মখোয়গী খোঙচৎ তোকহনখ্রে, মীওই কয়া মেনাং অমসুং মুষ্টাঙ্গদগী হেলিকোপ্টরনা পুথোকখ্রে।

লৈখা লম্বীদা মফম অদু থাদোক্লবা হোৎনখিবা ট্রেক্করশিংনা লেন্দস্লাইদ থোক্লবা মফম কয়া, ফিভম শোক্লবা লম্বী কয়া অমসুং ঈশিং ঈচাও থোক্লবা মফম কয়া লান্থোকপা তাই হায়খি।

খুদোঙচাবা মফম য়ৌনবা মীওই খরনা নুমিৎ হুন্নি ৪নি চংনা, অতৈ খরা অমনা উমঙশিংদা অহিংশিং লেল্লি।

# য়ু এস হনখ্রবা মতুং ইরাক– ইরাননা ঙাক্লৈ পীবা মিলিসিয়াশিংদা খূৎলাই থাদোক্লবা জুন ২০২৭ ফাওবা মতম পীখ্রে

বাঘদাদ, ওক্টোবর ০১ (এজেন্সি):
ইরাক্তগী য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসন ফোর্সকী মিসন লোইশিনখ্রবা মতুং প্রাইম মিনিষ্টর আলি–অল–জাইরিনা শগোলশেল নুমিৎতা খূৎলাই পায়বা ফেক্সনশিংগীদমক মখোয়গী খূৎলাইশিং অদু ষ্টেটতা খূৎশিন্ননবা অনৌবা অরোইবা মতম অমা ওইনা জুন ৩০ লাউথোকখ্রে।

ময়েক শেংবা রোদমেপ অমসুং জুন ৩০, ২০২৭তগী থেংথদবা য়ানবা টাইমলাইন্স অমগী মতুং ইন্না ষ্টেট কন্ট্রোলগী ৱাংমদা লৈবা খূৎলাইগী ৱাথোক লোইশিন্নবা ওক্টোবর ১ অসি মরুওইবা অহৌবা অমা ওইনা লৌরে হায়না হান্নগী সেপ্টেম্বর ৩০গী অরোইবা মতম অদু তোক্লদুনা জায়দিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসন ফোর্সশিং অদুনা লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চৎখিবা অদুনা খূৎলাই পায়বা মীওই কয়ামরুম মখোয়গী খূৎলাই পায়রিবা অদু য়ু এস ফোর্সশিং লৈবা মরমদগীনি হায়বা অদু কোকহল্লগনি হায়না ইরাক্কী গভর্ণমেন্টনা থাজরি।

অদুবু মদুগী মহুৎতা ফেক্সনশিং হেন্না ঈনোৎ পীরবা য়াই অমসুং লৈবাক অসিবু মিদ্দল ইষ্ট ৱার মনুংদা হেন্না চিংশিনখিবা য়াই হায়না মীওই কয়ানা কিন্নরি।

জিহাদিষ্টগী মায়োক্তা থেংননবা কোলিসন, য়ু এসনা লুচিংবা ফোর্সশিং অদু ওফিসিয়েল ওইনা ইস্লামিক ষ্টেট (আই এ এস) গ্রুপ থেংনবদা মতেং পাংনবা লৈবাক অসিদা দিপ্লোয় তৌরমখিবা চহী ১০ হেনবগী মতুং নোংমগী মমাঙদা ইরাক্তা মখোয়গী মিসন লোইশিনখ্রে।

MANIPUR LEGISLATIVE ASSEMBLY
SECRETARIAT

NOTIFICATION
*Imphal, the 29th September, 2026.*

*No.01/02(05)/2026-LA(E):* It is hereby informed to all the candidates who have applied for the following posts in the Manipur Legislative Assembly Secretariat that issue of **Admit Cards (both Physical & Online) & Written Test** for direct recruitment of the same have been scheduled on the date(s), time and venue as listed below:

| Sl. No. | Name of Post | Date | Particulars | Venue |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Multi-Tasking Staff (MTS) | 25/10/2026 (Morning) | Written Test (100 marks) (10:00 AM to 1:00 PM) | D.M. College Campus |
| 2. | Driver | 25/10/2026 (Evening) | Written Test (100 marks) (2:00 PM to 5:00 PM) | -do- |
| 3. | Mali | 26/10/2026 (Morning) | Written Test (100 marks) (10:00 AM to 1:00 PM) | -do- |
| 4. | Sweeper | 26/10/2026 (Evening) | Written Test (100 marks) (2:00 PM to 5:00 PM) | -do- |

**Syllabus for Written Test:**

| Sl. No. | Posts | Subject | Nos. Of Questions | Total Marks |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Driver | i) General Intelligence & Reasoning<br>ii) General Knowledge<br>iii) Quantitative Aptitude<br>iv) English Language | 25<br>25<br>25<br>25 | 25<br>25<br>25<br>25 |
| | | Total | 100 | 100 |
| 2. | Mali, Sweeper & Multi-Tasking Staff (MTS) | i) General Knowledge<br>ii) Basic Mathematics<br>iii)English Language | 50<br>25<br>25 | 50<br>25<br>25 |
| | | Total | 100 | 100 |

I. All the questions will be Multiple-Choice Type Questions.
II. There will be no negative marks for incorrect answer or questions not attempted.
III. All candidates are to compulsorily bring admit cards along with ball pens (blue colour).
IV. The number of the post may be increased subject to availability of vacancies from time to time.
V. The above listed date(s), time & venue as scheduled are subject to changes.

**Further, Admit Cards will be issued as per the following schedules as listed below:**
***For Online Mode:*** *From the midnight (12:00 am) of 20/10/2026 till the midnight (12:00 am) of 24/10/2026.*
***For Physical Mode:*** *From 20/10/2024 to 24/10/2026 during office hours at the Banquet hall of Assembly Secretariat.*

Sd/-
(G. Tapankumar Sharma)
*Addl, Secretary, (Admn),*
Manipur Legislative Assembly
SL/Sana/01, 02, 03

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES, KAKCHING
NOTICE FOR OBJECTION
Kakching, the 1st October, 2026

No.Pro/SR/Kak/2026-27: It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from Shri. Moirangthem Meiraba Meitei of the **"Hope Foundation School", Wangoo Mamang Sabal**, P.O. Kakching, P.S. Wangoo, Kakching District, Manipur on 01/10/2026 for registration under Section 4(1)(2) and Section 5 of the Manipur Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of **Wangoo Mamang Sabal only.**

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered assn. for submitting/inviting objection if any in writing (Aadhaar of the complainant or secretary with seal for orgn.) to the undersigned against the formation/registration of the proposed **"Hope Foundation School", Wangoo Mamang Sabal**, P.O. Kakching, P.S. Wangoo, Kakching District, Manipur within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mentioned period, the application for registration in the proposed **"Hope Foundation School", Wangoo Mamang Sabal**, P.O. Kakching, P.S. Wangoo, Kakching District may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7(1)(2) of MSR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rule 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

Sd/-
(Mohammed Ali Mudassir)
Deputy Registrar of Societies, Kakching
SL/Birj/2,3

CHANGE OF NAME

I, **Waikhom Ongbi Bimola Devi** (Old Name), W/o **Waikhom Kritichand Singh**, resident of Chingamakha Chanam Pukhri Sorokhaibam Leikai, P.O. & P.S. Singjamei, Imphal West, Manipur, do hereby declare that I have changed my name from **Waikhom Ongbi Bimola Devi** (Old Name) to **Waikhom Bimola Devi** (New/Correct Name) and henceforth I shall be known as **Waikhom Bimola Devi** (New/Correct Name) in all-purpose as declared vide Affidavit No. 05/2026/01-10-2026 sworn before the Notary Public at Imphal on 01-10-2026.

Sd/-
**W. Bimola Devi**
Chingamakha Chanam Pukhri
Sorokhaibam Leikai, P.O. & P.S.
Singjamei, Imphal West, Manipur
SL/KK/2

Office of The
Imphal Municipal Corporation
ꯈꯪꯍꯟꯕ/নোটিশ
তাং ০১–১০–২০২৬

No. 4/19/2022/IMC/Rev/Notice- ম্ভসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Shop No. 1(One) Fain Price Shop Cum Couteen (Shop) 805 sqft, Situated at IMC Complex, শ্রী (L) Khaidem Brojendro Singh S/O (L) Kh. Pishak Singh গী মিংদা পানবা Lease পানবা Shop/Stall অসি Lessee মশা লৈখিদ্রে। মরম অদুনা লৈখিদ্রবা Lessee গী মচা মশুশিংনা, শ্রী Konsam Lamyanbi Chanu D/O, K. Langamba of Kongpan Kongkham Leikai গী Lessee গী মিং ওনবিরো হায়দুনা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অদুনা Lessee গা মরী লৈনবা মীওইশিংনা Objection তৌনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ১০ (তরা) নিগী মনুংদা অইবা চেনা Objection তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা Objection লৌজরোই অমদি Lessee গী মিং ওনখ্রগনি।

Sd/-
Asstt. Municipal Commissioner (Revenue)
Imphal Municipal Corporation
SL/5701/02

ক্রোসৱার্দ ১১৫৮ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| C | A | R | O | L | | A | C | T | S | | I | S | E | E |
| A | W | A | R | E | | P | L | E | A | | N | U | L | L |
| S | A | T | I | N | | P | E | R | T | | D | E | L | L |
| T | Y | S | O | N | | L | A | M | A | | I | D | E | A |
| | | | L | O | S | E | R | | N | B | A | | | |
| C | L | I | E | N | T | | | | | I | N | A | P | T |
| L | A | D | S | | I | N | O | P | E | R | A | B | L | E |
| A | P | E | | L | E | O | N | A | R | D | | E | E | N |
| R | E | A | L | E | S | T | A | T | E | | P | T | A | S |
| A | L | L | A | N | | | | | C | H | A | S | T | E |
| | | | S | O | W | | M | E | T | A | L | | | |
| I | O | W | A | | I | R | A | S | | R | E | G | A | L |
| F | L | A | G | | L | O | I | S | | A | T | O | N | E |
| F | E | R | N | | D | O | N | E | | S | T | O | N | E |
| Y | O | D | A | | E | K | E | S | | S | E | D | E | R |

*ষ্টেট লেভেল ইনভাইটেসন বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ:*

# এস আর বি এ (এ)না ওভরওল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা টি নোর্ঠর্ন ষ্টুদেন্ট ক্লব খুন্দ্রাকপমনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক বোক্সিং এরিনাদা চথরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল ইনভাইটেসন বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬কী ওভরওল টিম চেম্পিয়ন সরিতা রিজনেল বোক্সিং একাদমি (এস আর বি এ-এ)না গোল্ড ১৭, সিলভর ১৯ অমসুং ব্রোঞ্জ ১০দা পুন্না মেদল ১৬তা পোইন্ট ১০২ ফংদুনা ওইখ্রে।

চেম্পিয়নসিপ অসিদা এন বি এ (এ)না গোল্ড ১৪, সিলভর ৬ অমসুং ব্রোঞ্জ ৪ য়াওনা পুন্না মেদল ১৬দা পোইন্ট ৭৪ লৌদুনা ফার্ষ্ট রন্নরস অপ অদুগা পি কে বি এনা গোল্ড ১২, সিলভর ২ অমসুং ব্রোঞ্জ ৫দা পুন্না মেদল ১৯দা পোইন্ট ৫২ লৌদুনা সেকেন্দ রন্নরস অপ তাখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মোষ্ট প্রোমিজিং বোক্সর নুপাগী এস আর বি এ (এ)গী ফায়াইমি কাসোমহুং (মাষ্টর বোইজ কেজি ৩৭) অমসুং নুপীগী প্রোমিজিং বোক্সরসু এস আর বি এ (এ)গী লানথুইলিয়ু রোংমৈ (মাষ্টর গালর্স কেজি ৪৯)না তাখি।

বেষ্ট চেলেঞ্জরদা এম এস বি এগী নোংমাইথেম তোমথিন (মাষ্টর বোইজ কেজি ৩৭) অদুগা নুপীগী বেষ্ট চেলেঞ্জরনা পি বি এগী থোকচোম মালেমঙানবী (অন্দর-১৫ গালর্স কেজি ৪৬)না তাখি।

বেষ্ট বোক্সর মেনদা পি বি এগী ন্যুতন গুরুময়ুম (অন্দর-১৫ বোইজ কেজি ৫২কেটাগোরি) অদুগা বেষ্ট বোক্সর ৱুমেনদা এস আর বি এ (এ)গী শরাংথেম লিন্থোই চনু (অন্দর-১৭ গালর্স কেজি ৫২)না তাখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা পি ঐচ ই দিগী চীফ ইঞ্জিনিয়র কব্রাম্বম সোমোরেন্দ্রোনা চীফ গেষ্ট, নোর্ঠর্ন ষ্টুদেন্ট ক্লব খুন্দ্রাকমগী প্রসিদেন্ট য়ঙ্গোইজম সুন্দরনা প্রসিদেন্ট, য়াসকী রিটিয়দ বোক্সিং কোচ মোইরাংথেম নরজিৎ, বি এফ আইগী এগজিক্যুটিম মেম্বর ফৈরোইজম দনাজিৎ, স্পিসিয়েল কম্মান্দোগী ও সি অমদি ত্রাইথলোন এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী লাইতোঞ্জম বেভেকানন্দ, পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনগী ও সি ওইবতা নত্তনা য়ুঠ ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন শমজেৎশাবম সর্জুবালা, ইন্টরনেসনেল টাইক্বান্দো প্লেয়র মোইরাংথেম সোমোরানি, ত্রাইথলোন এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী লাইখুরম লেনিন, য়ূমশারোল ইন্টরপ্রাইসকী প্রোপাইটর লাইশ্রম সহিত্যা ভর্তা খুমনচানা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইদুনা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা মথুম পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

# রাজস্মিতা হঞ্জবমনা এফ আই দি ই ষ্টেন্দর্দ রেটিং ১৫৩৮ ফংলে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (এস এন এস)ঃ

দি চেছ একাদমিগী প্লেয়র রাজস্মিতা হঞ্জবমনা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ৩দগী ৯ ফাওবা পোন্দিচরিগী অমলোরপাভা হায়র সেকেন্দরী স্কুলদা পাঙথোকখিবা ৩৯শুবা নেসনেল অন্দর-১৩ চেছ চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬তা ফজবা পার্ফোমেন্স পীবা ঙমখ্রে।

মহাক্কী থোয়দোক হেন্দোকপা মশান্না অদুনা ৱার্ল্ড চেছ ফেদরেসন (এফ আই দি ই)না ইন্টরনেসনেল ষ্টেন্দর্দ এফ আই দি ই রেটিং ওফ ১৫৩৮ পীখ্রে।

এচিভমেন্ট অসিগা লোয়ননা রাজস্মিতানা এফ আই দি ই রেটিং পোর্ফোলিও লোয়শিনবা ঙমখ্রে। মহাক্না হান্নসু এফ আই দি এফ রেপিদ রেটিং অমসুং এফ আই দি এফ ব্লিগ রেটিং ওফ ১৫১৫ এন্দ ১৪৯৩সু ফংখ্রবনি।

রাজস্মিতানা মায় পাক্লপা অসিদা দি চেছ একাদামিগী মেনেজমেন্ট অমসুং কোচশিংনা থাগৎপগা লোয়ননা পূক্নিং থৌগৎখ্রে।

# ক্লাসা কাংখুৎ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (এস এন এস)ঃ

য়াইস্কুলদা লৈবা শ্রী শ্রী রামগোপাল দেব মান্দপতা চথরকখিবা লৈমারোল কাং লীগ টুর্নামেন্ট ২০২৬কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ক্লাসা কাংখুৎ মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবদা মেটচতা ক্লাসা কাংখুৎনা খুন্দ্রাকপম কাংখুৎপু পাঞ্জল ২৫-১০দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা ক্লাসানা অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ১৪ অমসুং অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ১১ স্কোর তৌখি। মায়থিরবা খুন্দ্রাকপম কাংখুৎকী পাঞ্জলশিং অদুনা অহানবা হাল্ফতা ৫ অমসুং অনীশুবা হাল্ফতা ৫ স্কোর তৌখি।

হয়েং থাংমৈবন্দ কাংখুৎ অমসুং ৱাঙ্গোয় কাংখুৎনা শান্নরগনি।

*Medal Tally*
**20th Asian Games**
**Aichi-Nogoya 2026**

| Country | G | S | B | Total |
|---|---|---|---|---|
| PR China | 154 | 71 | 63 | 288 |
| Japan | 59 | 79 | 79 | 217 |
| South Korea | 30 | 30 | 53 | 113 |
| Uzbekistan | 16 | 21 | 19 | 56 |
| Iran | 12 | 17 | 13 | 42 |
| Thailand | 12 | 11 | 15 | 38 |
| Bahrain | 11 | 5 | 5 | 21 |
| India | 10 | 23 | 33 | 66 |
| Kazakhstan | 9 | 19 | 36 | 64 |
| North Korea | 7 | 8 | 9 | 24 |
| Malaysia | 6 | 5 | 13 | 24 |
| Hong Kong | 5 | 14 | 19 | 38 |
| Indonesia | 5 | 8 | 21 | 34 |
| United Arab | 5 | 4 | 0 | 9 |
| Kuwait | 4 | 1 | 4 | 9 |
| Chinese Taipei | 3 | 12 | 27 | 42 |
| Qatar | 3 | 6 | 5 | 14 |

# মণিপুর পুলিসনা মিরাবাই অমসুং রোশিবিনা তরাম্না ওকখ্রে




ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (এস এন এস)ঃ জপাননা য়ূম্বু ওইদুনা চথরিবা ২০শুবা এসিয়ন গেমস ২০২৬তা ৱেটলিফটিং অমদি ৱুশু মশান্নদা সিলভর মেদল ফংদুনা ইন্দিয়াগী মিংচৎ পুরকখ্রবা মণিপুরগী পুলিসতা এদিসনেল এস পি (স্পোর্টস) ওইনা থবক তৌরিবী সাইখোম মিরাবাই চনু অমসুং দিপ্যুটি এস পি (স্পোর্টস) নাওরেম রোশিবিনা দেবীবু মণিপুর পুলিসনা তরাম্না ওকপগা লোয়ননা পূক্নিং থৌগৎখ্রে।

মণিপুর পুলিসকী দি জি পি মুকেস সিংহ (আই পি এস), সেনিয়র ওফিসারশিং অমদি লম্লাই এ সিগী এম এল এ কে ইবোমচা সিংহনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুগী মনুং চন্না মায় পাক্লবা এঠলেটশিংনা এসিয়ন গেমস ২০২৬তা থেংনখিবা এক্সপরিয়েন্স, চেলেঞ্জস অমসুং কাওঙমদনা লৈহৌরগদবা তাঙ্কক কয়াগী ৱারী পাউদমখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈন্না দি জি পি মুকেস সিংহ (আই পি এস)না মেদল ফংদুনা লৈবাক অসিগী মিংচৎ পুরকখ্রবা শান্নরোই অনীবু পূক্নিং থৌগৎখি। মায় পাক্লবা শান্নরোই অনী অসিনা লমদম অসিগী মিংচৎ পুরকখিবগী ৱারী অসিনা ইনখৎল্লক্লিবা নহারোলশিংবু মায় পাকপগী লম্বীদা লমজিংবা ওইরসনু হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা শান্নরোই অনীনা লৈবাক অসিগী মিংচৎ পুরকপতা নত্তনা মণিপুর পুলিসকী মিংচৎ পুরকপগীদমক্তসু মহাক্কী মায়কৈন্দগী সাইখোম মিরাবাই চনু অমসুং নাওরেম রোশিবিনা দেবীদা শান্নরোই অনীদা লুপা লাক্ষ অমমম পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি। পূক্নিং থৌগৎখি।

# পি নন্দাজিৎনা গোল্ড, দব্লিউ কিরননা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (এস এন এস)ঃ

হরিয়ানাগী মাধুবনদা হৌখিবা থা অসিগী ২৩দগী ২৭ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৭৫শুবা ওল ইন্দিয়া পুলিস রেষ্টলিং ক্লষ্টর ২০২৬তা পি নন্দজিৎনা গোল্ড, দব্লিউ কিরননা ব্রোঞ্জ অমসুং এনজি সুরচন্দ্রনা মরিশুবা পোজিসন তারকখ্রে।

কম্পিটিসন অসিদা অহানবা মণিপুর রাইফল মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবকী বোদি বিল্ডির ৩ শরুক য়াখিবদা সি পি পি নন্দজিৎনা কেজি ৬০গী কেটাগোরিদা গোল্ড অমদি হেদ কনষ্টেবল দব্লিউ কিরননা কেজি ৭৫গী কেটাগোরিদা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা হলবিদার এনজি সুরচন্দ্রনা কেজি ৮৫ কেটাগোরিদা মরিশুবা মফম কনবা ঙম্লকখিবনি।

পনবা য়াবদি পি নন্দাজিৎ ২০২৫তা পাঙথোকখিবা ৭৪শুবা ওল ইন্দিয়া পুলিস রেষ্টলিং ক্লষ্টরগী কেজি ৬০ কেটাগোরিদা গোল্ড মেদল লৌরকপা ঙমখ্রবনি।

মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবকী বোদি বিল্ডিং টিম অসি জমন্দার ৱাই নিলবিররনা টিম কোচ, জমন্দার ভোপেন্দ্রোনা ইন-চার্জ ওইনা শরুক য়াখি।

# ৯শুবা ন্যু ইরা ৱিক: স্পোর্ট মীট হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (এস এন এস)ঃ

থৌবাল ওক্রম ৱাংমাতাবদা লৈবা ন্যু ইরা হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী চায়োল অমা চুপ্না তোঙান তোঙানবা স্পোর্টস ইভেন্ট, কল্চরেল অমসং লিটেরেরিনচিংবশিংদা মহৈরোইশিংগী লেপ্তুনা চথরকপা একাদমিক এক্সত্রা করিকুলম এক্টিভিটিগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোক্কদবা ৯শুবা ন্যু ইরা ৱিক ২০২৬কী স্পোর্টস মীট ঙসিদগী ওক্রম প্লে গ্রাউন্দদা হৌদোকখ্রে।

ঙসি স্পোর্টস মীট হৌদোকপগী থৌরমদা দি এম য়ুনিভর্সিটিগী এসোসিয়েট প্রোফেসার ডা. একে ব্রোজেন মৈতৈনা অথোইবা মীথুংলেন, ন্যু ইরা হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী প্রিন্সিপাল টিঐচ কুমারনা থৌরম মপু অদুগা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেনিস এসোসিয়েসন অমসুং লাইওন্স ক্লব থৌবালগী প্রসিদেন্ট কোন্সম মাইকেল, থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ১গী কাউন্সিলর ওক্রম ইনাওতোম্বী অমসুং ওক্রম য়ুঠ ক্লবকী সেক্রেটরী ওক্রম ইনাওবিনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

চায়োল অমা চুপ্না মহৈরোইশিংনা তোঙান তোঙানবা স্পোর্টস ইভেন্ট, কলচরেল অমসুং লিটেরেরিগী লমশিংদা তান্নগদৌরিবা অসিদা ঐখোয়গী থাইনদাগী লৈজরক্লবা ইন্দিজিনস মশান্নশিং মুক্না, থাঙ-তা, চৈতেক-কোৎপী, মরুম কোনবী, খুৎলোকপী, মুক্না কাঙজে, য়ুবি লাকপীনচিংবা কয়া হাপচিন্দুনা মহৈরোইশিংগীতা নত্তনা মীয়ামদা খঙহন উহনবা হায়বসি য়াম্নমক তঙায় ফদে। অতোপ্পা লৈপাকশিংদদি মাগী মাগী লৈজরম্বা ইন্দিজিনস মশান্নশিং য়োকখৎতুনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা চাংদম্নবশিংদা য়াওহন্নবা কন্না হোৎনরিবনি হায়রি।

তোঙান তোঙানবা ইভেন্ট ৩৪দা মহৈরোইশিংনা অথোই অহেন তান্নগদবা থৌরমসিগী শরুক অমা ওইনা স্কুল অসিগী ফাউন্দর এন ওজিৎনা লুচিংদুনা মহৈরোইশিং, ওজাশিংগা লোয়ননা থৌবাল মেলা গ্রাউন্দদগী মৈরাগী খোঙচৎ অমা চত্তুনা অমদি মৈরা চুখৎতুনা হৌদোকখি।

লোয়ননা মহৈরোইশিংগী কন্তিজেন্ট ১১না মার্চ পাসকী সু চংখি। মদুদা মকোক মথং তারবশিংদা সার্টিফিকেট অমদি মেদল পীদুনা পূক্নিংসু থৌগৎখি।

# অম্ফাগী জি বি মীটিং পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (এস এন এস)ঃ

লাক্লিবা থা অসিগী ৭কী অয়ূক পুং ৯ তাবা মতমদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী অখন্নবা জেনরেল বোদি মীটিং অমা ভচ্যুয়েল ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরীনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ভাচ্যুয়েল ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা জি বি মীটিং অসিদা এ আই এফ এফনা খঙহলকপগী মতুংইন্না কন্সটিট্যুসন অরোয়বগী ওইনা লেপথোক্লবা অমসুং প্রোভিসনেল দিষ্ট্রিক্ট এসোসিয়েসনগী মতাংদা খন্নগনি হায়রি। মরম অদুনা মরীলৈনবা দিষ্ট্রিক্ট এসোসিয়েসনশিং শোয়দনা শরুক য়ানবা খঙহল্লক্লি।

# নৌনা এমেন্দ তৌবা কন্সটিট্যুসন পীখৎল্লক্কবা অম্ফানা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী লৈরিবা কন্সটিট্যুসনগী মতুংইন্না এফিলিয়েট তৌরবা দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন নত্রগা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসনশিংনা মশা মশাগী নৌনা এমেন্দ তৌখিবা কন্সটিট্যুসনশিং অদু মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট এসোসিয়েসনদা লাক্লিবা থা অসিগী ওক্টোবর ফাওবদা পীশিল্লক্কদবনি হায়না খঙহল্লক্লি।।

অম্ফাগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরী এল নবা সিংহনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমদা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল, এসোসিয়েসন নত্রগা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসননা হায়রিবা নৌনা এমেন্দ তৌখিবা কন্সটিট্যুসনশিং অদু Manipurfa.@the-aiff.com পীশিলকপসু য়াগনি হায়রি।


বিদ্যুত মন্ত্রালয় MINISTRY OF POWER





“ইন্দিয়ানা ইনর্জি ঙাক শেন্দুনা থম্নবগীদমক তোপ তোপ্পা অমসুং পূম্নৌ নৌবা পাম্বে শীজিন্নরে, মসিনা তুংকোইনা চাউখৎহল্লগনি অমসুং সিটিজেনশিংদা কান্নহল্লগনি”
– নরেন্দ্র মোদি
প্রাইম মিনিষ্টর

ইন্ত্রিশিং পীশিনবা হৌজিক য়ারে

৩৬শুবা নেসনেল ইনর্জি কঞ্জার্ভেসন এৱার্দ (এন ই সি এ)কী

ইন্দিয়াগী ইনর্জি ফগৎহনবগী তুংলমচৎ শেম্বগী লম্বীদা চঙশিনবা

ইনর্জি ফগৎহনবা অমসুং ঙাক শেন্নবা খুদম চাংদম ওইবা য়ানবা হোৎনবশিংবু শক খঙবা ওইনা পীবা মনা

ইন্দিয়াগী নেট জেরোগী খোঙজেল য়াংশিনহন্সি

ইনর্জি ফগৎহনবদা লুচিংবগী থৌদাং লৌবগী থৌরম পাঙথোকসি

য়াওবা য়াবা সেক্টরশিং

ইন্দষ্ট্রি | ইন্সটিট্যুসনশিং | ট্রান্সপোর্ট | ইনর্জি কঞ্জার্ভেসন প্রোফেসনেলশিং অমসুং ইফ্লুয়েন্সরশিং | বিল্ডিংশিং | চহীগী এপ্লায়েন্স | ইনোভেসন

পীশিনবগী অরোয়বা মতম ১৫ ওক্টোবর ২০২৬

ওনলাইন এপ্লাই তৌ www.neca.beeindia.gov.in

এপ্লাই তৌবগী মথং মনাওশিং

এন ই সি এ পোর্টেলদা রেজিষ্টর তৌ → টার্ম অমসুং কন্দিসনশিংদু পাউ অমসুং অয়াবা পীয়ু → মথৌ তাবা দোক্যুমেন্টশিং অপলোদ তৌ → নহাক্কী ইন্ত্রি সবমিট তৌ

ব্যুরো ওফ ইনর্জি ইফিসিয়েন্সি (বি ই ই)
মিনিষ্ট্রি ওফ পৱার, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী ষ্টেটুটোরি বোদি অমা
/beeindiadigital

CBC 34106/13/0010/2627



বিদ্যুত মন্ত্রালয় MINISTRY OF POWER





“ইন্দিয়ানা ইনর্জি ঙাক শেন্দুনা থম্নবগীদমক তোপ তোপ্পা অমসুং পূম্নৌ নৌবা পাম্বে শীজিন্নরে, মসিনা তুংকোইনা চাউখৎহল্লগনি অমসুং সিটিজেনশিংদা কান্নহল্লগনি”
– নরেন্দ্র মোদি
প্রাইম মিনিষ্টর

ইনর্জি কঞ্জার্ভেসনদা
নেসনেল পেন্টিং কম্পিটিসন– ২০২৬

থিম

স্কুল অমসুং য়ূমদা ইনর্জি সেভ তৌবা

ইনর্জি কঞ্জার্বেসন অসি ইনর্জি সেক্যুরিটিগী পাম্বৈনি

গ্রুপ–এ: ৫শুবা, ৬শুবা অমসুং ৭শুবা ষ্টেন্দর্দ

গ্রুপ–বি: ৮শুবা, ৯শুবা অমসুং ১০শুবা ষ্টেন্দর্দ

পেন্টিংগী মতিক চাবা প্রাইজশিং

| প্রাইজ কেটাগোরি | ষ্টেট / য়ু টি লেভেল প্রাইজ | | | প্রাইজ কেটাগোরি | নেসনেল লেভেল প্রাইজ | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | প্রাইজ মশিং | গ্রুপ–এ | গ্রুপ–বি | | প্রাইজ মশিং | গ্রুপ–এ | গ্রুপ–বি |
| ফার্ষ্ট প্রাইজ / গোল্ড মেদল | ১ | লুপা ৫০,০০০ | লুপা ৫০,০০০ | ফার্ষ্ট প্রাইজ / গোল্ড মেদল | ১ | লুপা ১,০০,০০০ | লুপা ১,০০,০০০ |
| সেকেন্দ প্রাইজ / সিলভর মেদল | ১ | লুপা ৩০,০০০ | লুপা ৩০,০০০ | সেকেন্দ প্রাইজ / সিলভর মেদল | ১ | লুপা ৫০,০০০ | লুপা ৫০,০০০ |
| থার্দ প্রাইজ / ব্রোঞ্জ মেদল | ১ | লুপা ২০,০০০ | লুপা ২০,০০০ | থার্দ প্রাইজ / ব্রোঞ্জ মেদল | ১ | লুপা ৩০,০০০ | লুপা ৩০,০০০ |
| এপ্রিসিয়েসন প্রাইজ | ১০ | লুপা ৭,৫০০ | লুপা ৭,৫০০ | এপ্রিসিয়েসন প্রাইজ | ১০ | লুপা ১৫,০০০ | লুপা ১৫,০০০ |

নেসনেল ৱিন্নরশিংনা লেপটোপশিং / টেবলেটশিং ফংগনি অমসুং ইন্দিয়া মনুংদা ষ্টদি টুরগী খুদোংচাবা অমসু

পেন্টিং পীশিনবগী অরোয়বা তারিক: ১৫ ওক্টোবর ২০২৬

CBC 34106/13/0011/2627


Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77; e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com